ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



জিরিবাম দিষ্ট্রিক্তা তমথীরবা লানগী থৌদোকশিং থোরকপদগী রিলিফ কেম্পশিংদা লাঞ্জেন্নদুনা চঙজফম লৌরক্লিবা মীচমশিংগীদমক এম এল এ সাপম নিসিকান্তগী টিম্না নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা

লৌশিং পূক্কে : ঈশিং মরাং কায়না থকপনা হকচাংগী অরুস্বা ... ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ পেরিস ওলিম্পিক ২০২৪দা মীৎয়েং অমা!
ঈরৈবাকপু শীংনরকপা খুদিংমক নৈখাইখিবা ইনিংথৌশিং ... ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ দব্লিয়ু এম সীগী খোঙজং শৌগত্তুনা ওল মণিপুর ...
ইন্দিয়া অসি বি জে পিগী চক্রভিয়ুগী লাংদা থুদুনা লৈরে ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ পেরিস ওলিম্পিক্স : হর্মনপ্রিটনা অরোইবা মিনটতা...

মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী সী এফ পি জিগী মখাদা ককচীংগী লিবর্টি থিএটরনা ককচীং ফৌগুপাং লৈকায়গী লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টরদা পাঙথোরকখিবা 'সম্মর ফেষ্ট ২০২৪'দা আর্টিষ্টশিংনা উৎখিবা পর্ফোর্মেন্স



Vol. 48, Issue No. 119 | লৈবাকপোকপা, ইঙেনগী ২৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, July 30, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# অনীশুবা চাক্লাম খোঙচৎ? লৈঙাক শৌগৎপা এম এল এনা মিনিষ্টর সুসিলদ্রো রিজাইন তৌ হায়খ্রে

### নফসাগী চেঙ থা ৮ ফংলক্তুবা ক্ষেত্রিগাওগী মীয়াম্বু এম এল এনা লুচিংদুনা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎতুনা দি সী ওফিসতা থোমজিনখ্রে




**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্টকী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী মনুংদা ভোটর খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওইরিবা ৪-ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী বেনিফিসরি লিশীং ২৩ রোমদা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা) গী পীফম থোকপা চেঙ শরুক থা ৮গী পীথোরক্তবগী মায়োক্তা থা অসিগী ২৩দা এ সী অসিগী এম এল এ সৈখ নুরুল হাসননা লুচিংদুনা ক্ষেত্রিগাওগী মীয়াম্না দি সী ওফিস তম্না ৱাকৎ খোঙচৎ চৎতুনা পীফম থোকপা চেঙ শরুক পীনবা তকশিনখ্রবসু ঙসি ফাওবা পীরক্তবদগী ঙসিসু অমুক হন্না এম এল এনা লুচিংদুনা মীয়াম হুপ্পা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা অসিমক অদুঙৈ মণিপুরদা কুমজা ১৯৬৫গী ওগষ্ট ২৭তা মহৈরোয়শিংনা 'চেঙ পীয়ু' হায়দুনা চৎখিবা চাক্লম খোঙচৎ অদুগী অনীশুবা খোঙচৎনি হায়দুনা লৌবা য়ারব্রা হায়বগী ৱাহং অউবশিংনা হংনরক্লে।

নুপী য়াওনা য়াম্লবা ক্ষেত্রিগাওগী মীয়াম্না মখোয়না ফংফম থোক্লিবা নফসাগী চেঙ ফংহন্দবগী মায়োক্তা ঙসিসু ৱাকৎ খোঙচৎ চৎতুনা পোরোম্পাৎতা লৈবা দেপ্যুটি কম্মিস্নর খুমন্থেম দাইনাগী ওফিস কমপ্লেক্স তম্না লাক্তুনা থোমজিল্লখিবনি। য়াম্লবা মীয়াম অদু ঙাকথোক্লবা দি সী ওফিস কমপ্লেক্সকী য়োৎকী থোঙ মশীং য়াম্লবা পুলিস পর্সনেলশিংনা চেকশিন্না লোনশিন্দুনা ঙাক শেন্দুনা লৈখি। অদুম ওইনমক য়াম্লবা মীয়াম অদুনা গেট অদু নোম্লম্বদগী নমথেরক্তুনা দি সী ওফিস তম্না চঙশিন্দুনা মখোয়না ফংফম থোক্লিবা থা ৮গী চেঙ পীগদবনি ...মখা লমায় ৩ কলম ২.

### মণিপুরদা 'জল জিবন মিসন' হামুক তৈশিল্লব্রা

# টৌটি পাইপশিং শম্বা ১সুং ঈশিং ফংহনবা য়ূমথোঙগী মশীংদা মণিপুর লৈঙাক্লা চাউনা নমথাক তৌরম্লে

### মণিপুরদা জল জিবন মিসনগীদমক লুপা ক্রোর ১০৯০ সেঙ্কসন তৌরক্লগা কুমজা ২০১৯দগী চাদা ৮০গী য়ূমথোঙদা পাইপকী ঈশিং ফংহন্নবা থবক পায়খৎলকখিবনি



**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :** য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা পাইপকী ঈশিং পীথক্লবা পান্দমদা হৌদোকখিবা 'জল জিবন মিসন' গী মখাদা মণিপুরগী মীয়ামদা পাইপকী খূথাংদা ঈশিং ফংহন্নবা টৌটি পাইপ শম্বা অমদি ঈশিং ফংহনবা য়ূমথোঙশিংগী মশীংদা মণিপুর লৈঙাক্লা চাউনা নমথাক তৌরম্লে হায়না পেন্দবা ফোঙদোক্লরক্লে।

মিসন অসিগী মখাদা মণিপুরগী অপূনবা য়ূমথোঙগী চাদা ৭৯.৫০দা ঈশিং ফংহনখ্রে হায়না জল শক্তি মিনিষ্ট্রিগী ৱেবসাইটতা ইমুংশিং অদুগী অহলগী মমিং য়াওনা ফোঙলকপনা মিসন অসিগী মখাদা টৌটি পাইপ শম্বা অমদি ঈশিং ফংহল্লে হায়রিবা য়ূমথোঙগী মশীং অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা য়াম্না চাউনা নমথাক তৌরম্বা থেংনরে হায়বগা লোয়ননা মিসন অসিগী মখাদা ঈশিং ফংহনখ্রে হায়না য়াওরক্লবা খুল ১০গী মীহুৎশিংনা মীনম্বা থৌওং অসিগী মায়োক্তা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মসনদা ৱাকৎতুনা শবাক ফাক্লক্লে।

ৱাথোক অসিগী মতাংদা ঙসি চীংমৈরোং মনীং লৈকায়দা লৈবা ইন্দিজিনস পর্সপেক্টিভকী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা জল জিবন মিসনগী মখাদা কান্নবা অমা ফাওবা ফংদ্রবসু পাইপ শম্লে অমদি ঈশিং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# ইলেক্সন পিটিসনগী লাইবক লেপ্নবগীদমক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ইস্যু ৮ ফ্রেম তৌখ্রে

### এম এল এ শ্যামকুমারগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসনগী ৱায়েল লোইশিল্লক্কদৌরে



**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :**

হৌখিবা কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী ২৮দা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা ৭-অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী বি জে পিগী টিকেটতা কারকখিবা এম এল এ থৌনাওজম শ্যামকুমার (৫৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ বিনোয় কুমার, অংথা য়াওনা রেস্পোন্দেন্ট খরগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ২৫ ওফ ২০২২গী ৱায়েলগী অরোইবা শরুক য়ৌশিল্লকখিবগা লোয়ননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী লাইবক লেপথোক্লবগীদমক ৱায়েল চথনবা তোঙান তোঙানবা ইস্যু ৮ ফ্রেম তৌখ্রে।

ইলেক্সন পিটিসন অসি য়াম্বেম মথক লৈকায়দগী লৌরেম্বম সঞ্জিৎ (৪০) অপোকপা এল শ্যামজাইনা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিস্নরনা কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবনা টি ঐচ শ্যামকুমারনা রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট ১৯৫১গী সেক্সন ৩৩-এ অমসুং ১২৫-এনা পীবা প্রোভিজনশিং থবক্তা ওন্থোকখিদে। থৌওং অসিমক কন্দক্ট ওফ ইলেক্সন রুলস, ১৯৬১গী সেক্সন ১০০ (১) (এ) (দি) (১) অমসুং (৪) য়াওনা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ১৯(১) (এ) ভাইওলেসন তৌবনি হায়বসিনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# থৌবাল হাওখগী পিছ এন্দ ফ্রীদম একাদেমিগী বোর্দিংদগী নুপামচা মহৈরোয় ১৬ মাঙলুরে

### অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিট ১না থেংনবদগী পুরক্লগা পুলিসনা ইমুং-মনুংদা খূৎশিন্নখ্রে




**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :** য়াম্না তোয়না থোক্তুবসু মণিপুরগী মহৈশঙ অমসুং মসিগা মরী লৈনবা বোর্দিং সেন্টর/হোষ্টেলনচিংবদগী নুপামচা অমসুং নুপীমচা মহৈরোয়শিং হেক-হেক মাঙলুবগী থৌদোক থোকখিবশিংগী মখা তারকপদা থৌবাল হাওখদা লৈবা পিছ এন্দ ফ্রীদম একাদেমিগী বোর্দিংদগী মফম-মরাং খঙদনা মাঙলুবা ক্লাস টেন তম্লিবা মহৈরোয় নুপামচা ১৬ থৌবালগী অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিট ১গী ক্বিক রেস্পোন্স টিম (মোবাইল টিম) না কন্দুনা থৌবাল পুলিস অমদি স্কুল ওথোরিটিদা শিন্নরক্লবা মতুংদা পুলিসনা গার্জিয়নশিংগা ৱারী শানরবা মতুংদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

নুপামচাশিং অসি মফম খঙদনা মাঙখিবগী মতাংদা একাদেমি অসিগী প্রিন্সিপালনা মখোয়গী খোঙ্গুল লীবীনবা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনদা ফাইল তৌরকখিবা মিসিং রিপোর্ট অদুসু হন্দোকখ্রে হায়রি। মহৈরোয়শিং অসি ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ৪ রোম তারকপদগী স্কুল কেম্পসতগী থোকখিদুনা মফম খঙদনা মাঙখিবনি হায়রি। মখোয় ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## সান্ট কবির হেন্দলুম অমসুং নেসনল হেন্দলুম এৱার্দ পীনবা খনগৎপদা ত্রিপুরা ১সুং মণিপুরদগী মীতৈ নুপী ২ য়াওরে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :** মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলসগী দিভেলপমেন্ট কম্মিস্নর ফোর হেন্দলুমস, উদ্যোগ ভবন (ন্যু দেল্লী) না মমাঙ চহী ২০২৩গী ওইনা সান্ট কবির হেন্দলুম অমসুং নেসনল হেন্দলুম এৱার্দ পীনবগীদমক তোঙান তোঙানবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদগী


সৌবাম নিরমলা সিনহা (ত্রিপুরা)


ৱাহেংবম সায়া (মণিপুর)

হেন্দলুমগী লম্দা থোইদোক হেন্দোক্লা পোখোক ...মখা লমায় ৩ কলম২

## কুকি টেররিষ্ট মাংমিনলান কিপগেন চান্দেল পি এসতা খূৎশিন্নখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ২৭কী অয়ুক্তা মোইরাং পি এসনা কোনবা নরানসৈনা মনীংগী লৌবুক্তা লম্বী লম্মাংনদুনা বফর জোন লানশিল্লকখিবনি হায়বা চুড়াচান্দপুরগী তুইবোংদগী মাংমিনলান কিপগেন অপোকপা কাম্পাও কিপগেনবু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফাজিনবীরবা মতুংদা ঙসি অয়ুক চান্দেল পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, মহাক্কী থৌদোক অসিগী মতাংদা কম্মিটি ওন ট্রাইবেল য়ুনিটি (কোটু) না মহাকপু মীয়ামগী মোব অমনা লৌবুক্তগী ফারবা মতুংদা আই আর বিদা শিন্নরবা মতুং মখোয়না অমুক ফুরুপ অমগী খূৎলায় পায়বা মীওইশিংদা শিন্নখি হায়না চার্জ তৌরকখিবনি। অদুগা মহাকপু তেক্তা কায়দনা থাদোরকউ হায়বগা লোয়ননা নরানসৈনাদা লৈবা আই আর বিগী পর্সনেলশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকদবনি হায়বা ৱাফমশিংসু কোর্টুগী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরকখিবনি।

## মণিপুরগী ৱাথোক লোইশিন্নবা লৈশেম্বা সনাজাওবনা রাজ্য সভাদা তকশিনখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :**

হৌজিক চখুরিবা রাজ্য সভাগী মীফমদা মসিগী মেম্বর ওইরিবা মণিপুরগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা ঙসি 'স্পেসল মেন্সন' গী মখাদা ৱাফম খরা পুখৎলদুনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মণিপুরগী ঈরাংনা মরম ওইরদুনা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংগীদমক চুনবা রিহেবিলিটেসন পেকেজ পীবীবগা লোয়ননা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা অমসুং নুংশি চান্নবা পুরক্লবগীদমক লোং টর্ম সোল্যুসন অমা পুরকপীয়ু। থবকশিং অসিনা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা পুরক্কনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর অমসুং চীফ মিনিষ্টনা মহাক্কী লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চোকথবা নাইদনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগীদমক হোৎনরি হায়রদুনা লৈঙাক অনীগী লুচিংবশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## রিলিফ কেম্পনা বৈতরনি তুরেল ওইরকপা লেপত্রি : চঙজফম লৌরকখিবা মীওই অমসু লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৬কী নুমিদাংদা ক্বাক্তাগী সেরিকলচর ফার্মদা শাবা প্রি ফেব্রিকেটেদ হাউসতা চঙজফম লৌরকখিবা অঙোম প্রেমকুমার কৌবা নহা অমা লৈখিদবতা নত্তনা চহী ৮৮ শুরবী লাইখোং মনীং লৈকায়দগী খুন্দ্রাকপম কুমুদিনি লৈমা কৌবী অহল অমসু য়াম্বেম গর্লস হোষ্টেলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈখিদ্রবা মতুং অহুল্লকশুবা ওইনা চুড়াচান্দপুরদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা সুনুসিফাইগী রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরকখিবা মশাগী চহী ৩১ রোম শুরবা ৱারেপম সোভা মৈতে কৌবা নহা অমসু লৈখিদ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। মহাক্কী মীশিগী মতাংদা চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি অদুবু হার্ট এটেক তৌদুনা লৈখিদবা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

## জিরিবামগী রিলিফ কেম্প ৩দা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :**

মমাঙ থাগী ৬তা জিরিবামদা সোইবম সরতকুমার কৌবা মীচম অমা কুকি টেররিষ্টশিংনা হাৎখ্রবা মতুংদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিদা থোক্লকখিবা তমথীরবা লানগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরদুনা লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবশিংগী মনুংদগী জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল, বিদ্যানগর মল্টি স্পোর্টস য়ুটিলিটি ওদিটোরিয়ম হোল অমদি চীংদোং লৈকায় অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প ৩দা কৈশামথোং এ সীগী এম এল এ সাপম নিসিকান্তকী টিম্না নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া তেংবাঙখ্রে হায়রি।

তেংবাঙ পোৎলম খূৎশিন্নরদুনা টিম অসিগী মেম্বর মাইবম প্রফুলোনা ফোঙদোকখিবদা পোৎলমশিং অসি এম এল এগী মখাদা লৈবা টিমগী মেম্বরশিংনা অঙম অঙন্বা পুথোক্লদুনা মফম অসিদা লাক্তুনা মতেং পাংজরবনি হায়খি।

## মিং পকশিল্লকপা য়ানীংদে : য়ুনাইটেদ কম্মিটি

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :**

ময়াই কাবা চীঞ্জাক (দ্রগ) মরূ ফংনা মূখৎনবগী পান্দমদা কে সী পি (তাইবংঙানবা) গ্রুপনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমদা দ্রগ লল্লোনবনি হায়বা মীওই ৩৮ চঙজরক্লবা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমদা কাইরং, খোমিদোক অমদি খাবৈশোই এরিয়াদগী এম দি অনৱার অপোকপা এম দি সলাউদ্দিন, এম দি বিলৱার অপোকপা এম দি সুলাউদ্দিন অমদি এম দি কমারউদ্দিনচিংবা মিং পকশিল্লকপবু য়ুনাইটেদ কম্মিটি কাইরং, খোমিদোক অমদি খাবৈশোইনা অঙকপা পোকপগা লোয়ননা য়ানীংদে হায়রি। ঙসি নুংথিল খুরাই হৈক্রু মখোঙদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ৱাফমশিং অসি য়ুনাইটেদ কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট এফ এম মনৱর অলিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোক্লদুনা মিং পকশিল্লিক্লিবা মীওইশিং অসি কনাগুম্বা মীওই খরনা মশাগী ইন্টরেষ্টতা লান্না মিং হায়জিনবা মাল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

## জিরিবামদা মহৈরোয়শিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্কদৌরি

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :**

জিরিবামদা লৈরিবা চীংদোং লৈকায় প্রাইমারি স্কুল অমদি সোরোক অতিংবী হায় স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পদা লৈরক্লিবা মীওইশিংবু মফম চাবা অমদা থম্বীদুনা মহৈশঙশিং অসি অথুবা মতমদা হাংদুনা মহৌশাগুম মহৈ-মশীন তমহনবীয়ু হায়না জিরিবামগী দি সীদা অহৈবা চেরোল পীশিনবদা নত্তনা থা অসিগী ২৩দা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা এম এস এফ, দেসাম অমসুং কে এসনচিংবা মহৈরোয় লূপশিংগী মীওইশিংগা ফম্মিন্নদুনা তকশিনখ্রবা ফাওবদা থবক্তা ওন্থোরক্তে হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি জিরিবামগী বাবুপড়াদা লৈবা দেসামগী ওফিসতা পাউগী মীফম পাঙথোক্তুনা কে এস এগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ সোমোরজিৎনা ফোঙদোকখিবদা দিমান্দ অসি থবক্তা ওন্থোরক্তুবদি মথং থাগী ১দগী মহৈরোয়শিংগা খূৎশম্নরগা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লকপা য়াই হায়রি।

## কে সী পি - পি দব্লিয়ু জিগী কাদর ২ ফারে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :**

মণিপুর পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা ঙসি থোরকখিবা চেরোল অমদা কে সী পি-পি দব্লিয়ু জিগী হুইনিংশুংবম কেঞ্জেন (৩৬) অমসুং ইরোম মীকোই (৪৬) কৌবা এক্টিভ কাদর অনী মোবাইল হেন্দসেট ৩, আধার কার্দ ১, গাড়ী মচা ১ অমসুং শেল ওইনা লুপা ৩০,৬৯০গা কোন্নরা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী ফারে হায়রি।

## বোসেমগী সেক্রেটরিগী চার্জ পুহনখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২৬তা কম্মিস্নর (এদ্যুকেসন-এস) না থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না জোইন্ট সেক্রেটরি/বোসেমগী থবক পুরকখিবা এস জিতেলালদা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন, মণিপুরগী সেক্রেটরিগী থবকসু অহেনবা ওইনা খুদক্তগী পুহনখ্রে হায়রি। অদুগা সেক্রেটরি ওইরকখিবা টি গিৎচন্দ্রবুনা এদিসনেল দিরেক্টর (এদ্যুকেসন-এস/প্লান্নিং) গী ওইনা পোষ্টিং পীখ্রে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# ঐহাক্তি হিংবু হিংলি, ঈরাং নেমথরক্লে হায়দুনা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিন্দুনা লৈরুনবা চঙলুবা ইচে অমদি কুকি টেররিষ্টশিংগী নোংমৈ মরূনা পান্দুনা লৈখিদ্রে

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**কাংচুপ চীংখোঙদগী খুঞ্জা অমা**


কাংচুপকী খুঞ্জাশিংসু হান্নগী মতৌগুম্না মাগী-মাগী নুংতিগী তৌফম থোকপা

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা তমথীরবা লান হৌরকখিবদগী লান অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কাংচুপ্পুদি মে ৪, ২০২৩গী অয়ূক পুং ১০ অদুৱাইদা য়ৌশিল্লকখিবনি হায়না কাংচুপ চীংখোঙদগী নিংথৌজম চন্দ্রলেখা, মপুরোইবা অঙোম রোমেন্দ্রোনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, কাংচুপ্পুদি লান য়ৌশিল্লক্কনি হায়বা খল্লুদে। মরম অসিনা লান অসিগী নুমিৎ নীনি চনবা মে ৪, ২০২৩গী নুমিৎতু ঐহাক খক্তা নত্তনা মথৌ তৌনদুনা লৈখি। নুপীশিংনা য়ূমগী চাক-ঈশিং থোংদুনা লৈবসু য়াওখি। অদুবু খঙহৌদনা অয়ূক পুং ১০ রোম তারকপা অদুৱাইদা লানগী ঈরাং য়ৌশিল্লকখি। ফীভম অদুদগী ইচানুপী অনীবু খূৎ শন্নগা লাঞ্জেনবা হৌরকখি।

অদুম্মাইনা তৌরক্কনি হায়বা শুকখন খনখিদে। ঐহাকসু কাংচুপ চীংখোঙদা লৈবা 'লিটল সীদ' হায়না খঙনবা প্রাইভেট স্কুল অমদা ওজা ওইজবনি। ঙরাংদগী লান হৌরে তাবদগী নুমিৎ অদু ঐহাক স্কুল চৎকদ্রা-চৎলোইদ্রা খঙ্গানখি। মোরে অমসুং চুড়াচান্দপুরদা কুকিশিংনা মীতৈগী য়ূমশিং মৈ থাবা হৌরে তারবনিনা কাংচুপ্তসু য়ৌশিল্লকপা য়াই হায়নদি খনখি। হায়বগা তৌবগা মথংগী নুমিৎ অদুগী অয়ূক পুং ১০ রোম তারকপা অদুৱাইদা ময়াম লাংনবা

## রিলিফ কেম্পতা নুমিৎ ৪৫১ লৈরক্লবা দোলাইথাবীগী খুঞ্জাশিং মশাগী খুঙ্গংদা চঙবা ঙমদ্রি

**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩, য়ূমশকৈশা নুমিৎতগী কুকিশিংনা য়ূম মৈ থাদুনা অমসুং নোংমৈ কাপ্তুনা তান্থোরকখিবদগী শাগৈ-নাতৈগী য়ূম অমদি লাইফম রিলিফ কেম্পতা নুমিৎ ১১৪ লৈরবা মতুংদা মে ২৫, ২০২৩, ইরাই নুমিৎতগী টেম্পররি সেল্টর হোম (শজিৱা রিলিফ কেম্প) তা নুমিৎ ৩৩৭কা পুন্না ঙসি (জুলাই ২৯, ২০২৪) ফাওবদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫ হৌরকখি। মীয়াম অদু য়াম্মনখিবনা কুকিনা করম্বনো, ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## 'মৈতৈ পাঙল রেভল্যুস্নরি আর্মি' শেম্লে হায়রুবা মীওই ১ চঙজরকখ্রে



**ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৭তা মণিপুরগী অনৌবা লালহৌলূপ অমা ওইনা 'মৈতৈ পাঙল রেভল্যুস্নরি আর্মি' (এম পি আর এ) কৌবা লালহৌলূপ অমা শেম্লে হায়দুনা সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্ম ওইরিবা ফেসবুকনচিংবদা পোষ্ট তৌদুনা ফোঙদোরকখিবা মীওই অমা ঙসি অঞ্জুমান, মণিপুর মৈতৈ পাঙল ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন (এম এম পি দব্লিয়ু ও) অমদি মৈতৈ-পাঙল কাউন্সিল মণিপুর (এম পি সী এম) ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫